থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# বি জে পি'না কোংগ্রেস মশক খঙলমগদবনি

ফ্লেগ-পোষ্ট য়াওবা গভর্ণমেন্টকী গাড়ী তোংদুনা, ইকায়খুম্ননীংঙাই ওইরবা লৈঙাক্কী ফম অমা পায়দুনা ওফিস অকা-অকুম তৌরম্লবা, মশাগী মিংগৌ তোক্তুনা 'সার' নৎত্রগা 'মেদাম' হায়দুনা মিংগৌনরবা নহা অমদা খঙহৌদনা 'নহাক হয়েংদগী থবক কারক্লনু, নহাক থবক্তগী লৌথোক্লে' হায়বীয়ু। মহাক করি ওইগনি! মমাঙউৈ, অহল-লমনগী ৱাহৈদা 'লৈত্রক অহোবা অমা থিরগা চঙদুনা লৈজখ্রগে' নৎত্রগা 'মৈনুংদা চোংশিন্দুনা শিজ খ্রগে' হায়বই থাক্তা ইকায়বা নংবই থৌদৌদুনি। থৌদৌ অসি কনাগুম্বা অমগী মফমদা থোক্লবদি কমদৌবা? হায়দুনা ৱাখল মোন্দ্রং শান্নবদু নত্তে। হৌজিক তশেংনা থোক্লবনি। করপসন-ফ্রী-সোসাইটি অমগী মঙ মঙজ রিবা, ঐখোয়গী তুংগী য়ূম্বীসু ওইদৌরিবা নহা কয়াগী কোকথক্তা অচৌবা শিঙ্গৈবাক অমনা থোম্বগী চৈনাদুগুম থোকপা পাউ অসিগী ইমপেক্ট, অতৈ ইমুংদা পানশিন্দুনা য়েংলুদ্রবসু ইশাদা/ইচাদা পাল্লিবা চৈথেংসিনা খঙজরে - ৱাথোক অসিনা মণিপুরগী নহাশিংদা 'মশানা মশাবু থাজ দবা', 'সেল্ফ-কনফিদেন্স ৱাংলবা' মীওই অমমম ওইহনবদা অচৌবা ফেক্টর অমা ওইরে। লৈবাক্কী অফবা সিটিজেন অমা শোয়দনা ওইরক্কনি থাজবা, হোৎনবা কনবা, 'সেল্ফ কনফিদেন্স' লৈজবা নহা খরা উন্নবদা মখোয়না হায় ... মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন'গুম্বা এজেন্সি অমনা পাঙথোকপা, ষ্টেটসিগী খ্বাইদই ৱাংবা থাক্কী চাংয়েং অমদা অসি য়ৌনা হন্থবা থাক্কী থবক তৌরবা, অরানবা তৌরে হায়বগী চপ চাবা খুদম-চাংদম ফংলবা, ষ্টেটসিগী অমদি লৈবাকসিগী খ্বাইদই ৱাংবা থাক্কী ৱায়েলশঙ - হায় কোর্ট অমদি সুপ্রিম কোর্ট অনীমক্কা য়ারবা, 'সিমক্তদা অরানবা তৌবা মীওইশিংদু পুথোক্তুনা চৈরাক পীগে, অচুম্বা পাম্মী হায়বদু, তৌশিন্নবা ওইর'সু, মীয়ামদা উৎকে খন্দবা লৈঙাকসিদগী ঐখোয়না আশা তৌরুদৌরিবসিবু করিনো, কাকা? অমম্বা তুংলমচৎ, দার্ক ফ্যুচর অমা নত্তনা করিমত্তা উবা ঙমদে ... শেমদোকপা য়াবা, চুমথোকপা ঙম্বগী চাং অদুদগী য়াম্না হেনজিনখ্রে, লৈবাক অসি য়াররোই ... ৱি আর জষ্ট - ফিনিষ্ট! হৌজিক্তি, অতৈ লম্বী লৈতে, হিংনবগীদমক চেনখিবা তাবা, অশংবা লমহাং থিদুনা ষণশিংনা চৎখিবা, ষণশেল-নহানা থিংবা ঙম্বরা' ... অঙাংদুনা ঙাঙলিবা ৱাঙাঙদুনা শেংনা তাক্লে, মহাক থাঙ্গৈ শেংনা ৱারৌরে, মথম্মোয় শোক্লে। মহাক্না ঙাইরিবসি বাইবলগী মোজেসকুম্বা কনাগুম্বা অমনি, 'রেদ-সি' খায়দত্তুনা অনৌবা পন্থুং/অনৌবা লৈবাক অমা তম্না চৎখিনবা ... (একজোদস)।

মণিপুর পব্লিক সার্ভিস কম্মিসন - এম পি এস সী - মতম চূপ্পদা অরানবা তৌবা, অমোৎপা ওফিসর-ঙাক্তা ঙায়রবা 'কম্মিসন' অমরা হায়বদুদি নত্তে। ঐহাক খঙই ৱাথোক ওইরিবা 'মণিপুর সিভিল সার্ভিস একজাম' অসি পাঙথোকপা চহীদুমক্তদা মণিপুর পব্লিক ৱার্কস দিপার্টমেন্ট অমদি ইলেকত্রিসিটি (পাৱর) দিপার্টমেন্টকী এঞ্জিনিয়র/জুনিয়র এঞ্জিনিয়র খরা লৌনবা অতোপ্পা একজাম অমসু পাঙথোকখি। মদুমদি তশেংনা অশেংবা মেরিৎ'তা য়ূম্ফম ওইরগা লৌখি হায়বা, অতোপ্পা মীদা হংদ্র'সু, ইশামক্কা খুদমনি।

চাংয়েংদুদা মায় পাক্লবা এঞ্জিনিয়র অনীখক (ঐনা খঙবা) এম এস পি দি সী এল (মনিপুর ষ্টেট পাৱর দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি) দা থবক তৌরম্মী। মখোয় অনীমক সিভিল সার্ভিস এগজামদুদা লাইবক য়েংখি। অমনা (এস টি কেন্দিদেট) মায় পাক্তুনা এম পি এস ওইখ্রগা অমনা কট-ওফ-মার্ক য়ৌগদবা মার্ক অনী ৱাত্তুনা নীংবা কায়না লৈহৌখি। কোর্টকী ৱায়েল তারবা মতুংদা কট-ওফ-মার্ক অনী ৱাত্তুনা মায়থীহৌবা নুপামচাদু নহান নোংমা লম্বীদা থেংনদুনা ৱারী শাই। মমান্নবা অমদু সব-দিভিজনেল-পুলিস-ওফিসর ওইনা লৈরুরগা জিরো'দা অমুক হন্থবা, হান্নই থবক্তুদা অমুক হঞ্জিনবসু য়াদগুম তৌ, ময়ূমদই মপান থোক্ত্রে হায়। অমরোমদা মহাক্তি ক্বালিফায় ওইহৌদবদু লাইনা ইনশিল্লকপগুম ইকায়বদি নংহৌদ্রে - ৱারী শারকই। মীগী ৱা (মীৱা) ঙাঙনবমুক, মমল তিংদনা নুংঙাইবা অনী শুদে হায়নবদু চুম্বা জাৎনি। চা থকফম, থবক শূফম'নচিংবদা ঙাঙনরম্বা ৱা মফম খুদিং শন্দোরকই - ফম তারবা ওফিসর অমা লুহোংবগী ৱারী, বরদুনা মান্দব-ময়ায়'-ফল্লিঙৈগী শক্তমদুফাও শৈথাদুনা। কয়াদা মথৌ লৈখিদ্রবা! হোৎনবা কনবা, দিফরেন্টলি-এবল্ড কেন্দিদেট অমা, ময়ূমদা পোলত্রি-ফার্ম লীংদুনা (য়েন লোয়দুনা) হিংনবই লম্বী থিজরবা অমগী মনাক্তা লাক্তুনা 'মী খরা কৃক-কৃক হিদান্নবসি নাম্থহৌবসু য়াই, লাক্ষ খরা পীয়ু শোয়হল্লরোই' হায়রবদা 'ঐনা খুমজরম্বা পাউখুমগী নম্বর কয়াম ফংবা য়াই খঙজে ঐ, ঐঙোন্দই হন্থনা ফংবা মী খল্লম্লবা, ঐহাক আইনগী থোঙদা মায়োক্লজগে... য়েনগী ফার্ম লীংজরিবসে বেঙ্ক'কী লোন লৌরগনি, খন্দ্রবসু তোকপীয়ু' - থৌনা লৈনা পাউখুমখিবা মহাক্তো খল্লক্তুনা ওফিসর ওইখি। ঙসিনা করি ওইরবা! মীচং লৈবা, শেল পায়বা, মিনিষ্টর-ওফিসর-এগজামিনর পূম্নমক মমল পীরগা লৈবা ঙমখিবা, অকনবা নুপা অদুগী ৱারীদি কনানসু শারক্তে। কনানসু লীরক্তে। কনানো'দুসু শক্তাক্তে।

ইকায়বা নংলবা নহাশিংসিগী ৱারী, লোকল-মিদিয়া হাওস'তা নৈনবদা কোংগ্রেস পার্টিগী মীহুত্তুনা হায় ... 'চুম্মী, চাংয়েং অদু কোংগ্রেস-লৈঙাক মতমদা পাঙথোকখিবা অমদি লাউথোকখিবা রিজল্টনি ... অদুবু, থবক হাপখিবদি হৌজিক পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাকসিগী মতমদনি ... কোংগ্রেস লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা হায়দোকখ্রবা-রিজল্ট ওইদুনসু করিগী থবক হাপ্লমদবনো হায়বদু হায়ফেৎ থিজিল্লম্লবদি ৱাথোক অসি থোক্লম্লোই'...। ৱাহায় অসি করিনো? চাংয়েং অদু পাঙথোকপা অমদি মায় পাক্লবা মীওইগী মীং লাউথোকপদা অরানবা প্রাক্টিস অমা চংখ্রে হায়বদু মখোয় খঙই হায়বা নৎত্রা? অদুগা করিগী অরানবা তৌবা, হুরানবদু ফানবদি হোৎনরমদ্রিবা? হায়দোক্তনা অদুম নমশিন্দুনা থমজিল্লম্লবদি নোংথোম্বম বিরেন অফবা সী এমনি হায়দৌরিবরা? ইবোবিনা, হায়দোক্লবসু থবক হাপ্তুনা লৈরল্লিবদুগী মরম খঙজু হায়রিবসি করি হায়রিবনো - ৱাখলসিনা লাম্বা ফংদে। পোলিটিসিয়ন নত্তবদুনা তৌরিবজাৎলা?

---

লৌশিং পুক্কে/খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# লাইরিক ময়েক চত্তবনা দিমেন্সিয়াগী রিস্ক শরুক অহুম হেনগৎল্লি

লাইরিক ময়েক ইবা অমদি পাবা ঙমদবনা মরম ওইরগা দিমেন্সিয়া নারকপগী চাঞ্চ শরুক অনী নৎত্রগনা অহুমফাওবা হেনগৎহল্লি হায়না হন্দক্তা নৌনা চথখিবা রিছার্স অমনা উৎখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসনগী মতুংইন্না অমেরিকাগী মীওইশিংগী শরুক ৫ থোকপগী ১ দি কম্প্যেরিং অমদি কন্ট্রাষ্টিং ইনফোর্মেসন, পেরাফ্রেজিং নৎত্রগনা লো-লেভেল ইনফরেন্স হায়রিবা থৌওংশিং অসিদা মথৌ তাবা লিটরেসি স্কিল লৈতে।

অপূনবা উইনা য়েংবদা য়ু এসগী এদল্ড মিল্লিয়ন ৪৩ দি লিটরেসি এবিলিটি নেম্মী। দিপার্টমেন্ট অসিনা কুমজা ২০১১ অমসুং ২০১৪গী মনুংদা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিজল্টকী মতুংইন্না মীওই মিল্লিয়ন ২৬.৫ দি মথক্তা পনখ্রিবা লিটরেসি স্কিল অসি লৈতে, মীওই মিল্লিয়ন ৮.৪ না অমুক্কা হেন্না লিটরেসি স্কিল হন্থে, অদুগা মীওই মিল্লিয়ন ৪.২ দি লিঙ্গুইষ্টিক নৎত্রগনা কোগ্নিটিব বেরিয়রনা মরম ওইরগা ষ্টদি অদুদা শরুক য়াবা ঙমখিদে।

অনৌবা রিছার্স অসিনা লাইরিক ময়েক ইবা অমদি পাবা ঙমদবা মীওইশিং দিমেন্সিয়া নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংই হায়বা উৎখ্রে। রিছার্স অসিগী সেনিয়র অথর ওইরিবা জেন্নিফর জে, মেনলি অসি ন্যু য়োর্কতা লৈবা কলম্বিয়া য়ুনিভর্সিটি ভেগেলোস কোলেজ ওফ ফিজিসিয়ন এন্দ সর্জন্সকী পি ঐচ দিনি।

মেনলিনা লিটরেসিগা ব্রেন হেল্থ কা লৈনবা মরী শন্দোক্লা তাক্লদুনা হায়খি মদুদি, লাইরিক ময়েক ইবা অমদি পাবা হৈবা হায়বা অসিনা মীওই অমবু ব্রেন শীজিন্নবা থবক-থৌরম ময়ামদা এঙ্গেজ তৌবা ঙমহল্লি, খুদম ওইনা পাউচে পানা পানা য়ূমগী অতৈ থবক-থৌরমশিংদসু তৌবাগুম্না।

মমাঙদা চথখিবা রিছার্সনা অসিগুম্বা থবক-থৌরমশিং অসিনা দিমেন্সিয়াগী রিস্ক হন্থহল্লি হায়বা উৎখ্রে হায়নসু মহাক্না মখা তাখি। অশেংবমকসু কোগ্নিটিব রিজর্বগী থিওরিগী মতুংইন্না ব্রেনগী ফ্লেক্সিবিলিটি অমদি প্রোব্লেমশিংগী অল্টর্নেটিব সোল্যুসনশিং থিবা ঙম্বগী এবিলিটিনা অলজাইমর'সকী সিম্পটোমশিং হন্থহল্লি হায়রি।

জেনিপর মেনলিনা লাইরিকা ইবা অমদি পাবা হায়বসি ব্রেনবু মশা ফনা থম্নবা ফেক্টর ওইবা য়াই হায়বসি অহেনবা খুদম-চাংদমশিং ঐখোয়গী ষ্টদি অসিনা পীরি হায়না ফোঙদোক্লি।

অনৌবা ষ্টদি অসিদা মেনলি অমদি মহাক্কী খোঙলোয়শিংনা সর্ভে তৌবগা লোয়ননা মেনহট্টনদা লৈবা ফোর্মেল এদ্যুকেসন থাক ৱাংনা তমহৌদ্রবা মীওই ৯৮৩দা চাংয়েং তৌরম্মী। পার্টিসিপেন্ট অয়াম্বা দোমিনিকান রিপব্লিককী মহৈ-মশীন তম্বা ফংবগী খুদোংচাদবা কয়া ফংদবা খুঙ্গংগী লমদা পোকপা অমদি চাউরকপা মীওইশিংনি।

পার্টিসিপেন্টশিং অদু চাংচত্তা মশাগী চহী ৭৭ শুরবা অহলশিংনি, মখোয়শিং অদু য়াম্লবদা চহী ৪ ফাওবখক্তং স্কুল চৎখিবশিংনি।

'নহাক করিগুম্বদা লাইরিক ইবা-পাবা তমখ্রবরা?' হায়বা ৱাহংসিদা পার্টিসিপেন্টশিংনা পীরকপা পাউখুমশিংদা য়ুম্ফম ওইদুনা মখোয়বু পার্টিসিপেন্টশিং অদুবু কাঙলুপ কাঙলুপ খায়দোক্লম্মী। মদুদা মীওই ২৩৭ না ইবা পাবা হৈবা অদুগা মীওই ৭৪৬ না ইবা পাবা হৈতবশিংনা হায়বা খঙখি।

অহানবা ওইনা পার্টিসিপেন্টশিং অদুদা মেদিকেল একজাম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা মেমোরি অমদি রিজনিং টেষ্ট অমা য়াওহল্লিম্মী। মতুংদা থা ১৮ দগীনা চহী ২ ফাওবা খুদিংগী মখোয়শিং অদু টেষ্টশিং অদু অমুক্কা হন্না তৌহল্লি, অসুম্না চহী ৪ চুপ্পা চথখি।

ষ্টদি অদুগী হৌগৎলকপদা মতমদা ইবা পাবা হৈতবা কাঙলুপকী মীওই ২৩৭ অদুগী মনুংদা মীওই ৮৩ হায়বদি চাদা ৩৫ দা দিমেন্সিয়া নাবা থেংনখি। অদুবু মসিগী মান্নদবা মওংদা ইবা পাবা হৈবা কাঙলুপগী মীওই ৭৪৬ অদুগী মনুংদা মীওই ১৩৪ খক্তং হায়বদি চাদা ১৮ খক্তং লায়না অসি নাখি।

মশাগী চহী, শেল-থুমগী ফিভম অমদি কাদিওভাস্কুলর লায়নানচিংবা কয়াগী খুদোংচাদবা কয়া অসি লৈহন্দ্রবা মতুংদা লাইরিক ময়েক ইবা পাবা হৈতবা পার্টিসিপেন্টশিং অদুনা ষ্টদি অদুগী হৌগৎলকপদা দিমেন্সিনা নারকপা য়াবগী চাং শরুক ৩ হেল্লি হায়বা খঙখি।

ষ্টদি অদুগী লোইশিল্লকপা মতমদা ইবা পাবা হৈতবা কাঙলুপ অদুগী মীওই ২৩৭ অদুগী মনুংদা মীওই ১১৪ হায়বদি চাদা ৪৮ দা দিমেন্সিয়া নারকখি। মতম অসিমক্তদা ইবা পাবা হৈবা কাঙলুপকী মীওই ৭৪৬ অদুগী মনুংদা মীওই ২০১ দা হায়বদি শুপ্নতগী চাদা ২৭ খক্তংদা দিমেন্সিয়াগী লাইওং অসি নাবা থেংনখি।

মসিদসু মশাগী চহী, শেল-থুমগী ফিভম অমদি কাদিওভাস্কুলর লায়নানচিংবা কয়াগী খুদোংচাদবা কয়া অসি লৈহন্দ্রবা মতুংদা ষ্টদি অসি চথরিঙৈ মনুংদা ইবা পাবা হৈবা মীওইশিং অদুগা চাংদম্নদুনা য়েংবদা লাইরিক ময়েক ইবা পাবা হৈতবা পার্টিসিপেন্টশিং অদুদা দিমেন্সিয়া নারকপা য়াবগী চাং শরুক অনী হেল্লি হায়বা খঙবা ঙমখি।

মেনলিনা হায়খি, লাইরিক ময়েক ইবা-পাবা হৈবা অসি শুক্লতগী পাবা অমদি লোলগী স্কোরখক্তং নত্তনা নিংশিংবা ঙম্বা অমদি ৱাখল খনবা ঙম্বগী টেষ্টশিংদসু স্কোর ৱাংবগসু মরী লৈনৈ।

ফংলিবা রিজল্ট অসিনা তাক্লি মদুদি লাইরিক পাবনা ব্রেনবু মায়কৈ কয়াদা মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা দিমেন্সিয়া নারকহন্দবা অমদি নারকপা থীন্থহনবতা মতেং পাংই। লাইরিক শুক্তম তমহৌদবদগীদি চহী খজিক্তং ওইরবসু লাইরিক তমহৌদুনা ইবা-পাবা হৈহৌবনা পুন্সি চুপ্পগী ওইনা কান্নবা ফংই হায়নসু জেনিফর মেনলিনা মখা তারি।

---

## সিটিজন দ্যুটিজগী এৱ্যেয়র্নেস কেম্প্যেন চথগদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): সিটিজন দ্যুটিজ অমদি ফন্দামেন্টল দ্যুটিজগী মতাংদা ফোকস পীবা এৱ্যের্নেস কেম্প্যেন থা অসিগী ২৬ তগী চথবা হৌরগনি হায়না দিরেক্টোরেট ওফ য়ুনিভর্সিটি এন্দ হায়র এদ্যুকেসন, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দিরেক্টর দব্লিয়ু মালেমঙানবনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লৈঙাক্কী, এদেদ, প্রাইভেট কোলেজশিংদা থা অসিগী ২৬ তগী হৌরগা কুমজা ২০২০ গী নবেম্বর ২৬ ফাওবা চহী ১ চুপ্পা কেম্প্যেন অসি চথগদবনি। কনষ্টিট্যুসন এদোপ তৌখিবা চহী ৭০ শুরকপগা মরী লৈননা চথগদৌরিবা কেম্প্যেন অসিগী মনুংদা রিদিং ওফ প্রিএম্বল টু দি কনষ্টিট্যুসন, পব্লিসিটি ওন ৱেবসাট অমদি এন্দ পোষ্টর, সেমিনার/দিবেট/এসে/ক্যুইজনচিংবা পাঙথোকপা অসিনচিংবা য়াওরি। কোলেজশিংগী প্রিন্সিপালশিংনা মাগী মাগী কোলেজশিংদা থৌরমশিং অসি পাঙথোকপীয়ু হায়নসু মখা চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## বেরিমুরাদা সাহিত্যাগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ত্রিপুরা, নবেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): ত্রিপুরাগী বামুট্যা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা মৈতৈ খুঙ্গং ১৪গী মনুংদা বেরিমুরা খুঙ্গংসু অমনি। ত্রিপুরাদা তোঙান-তোঙানবা মৈতৈ খুঙ্গংদা মচিন তুমখৎলক্লিবা অইবা-অইবীশিংবু পূক্লিং থৌগৎপগী পান্দমদা মণিপুরী লেংগ্বেজ বোর্দ, সাহিত্যা একাদেমি ন্যু দিল্লিনা ত্রিপুরাগী মণিপুরী সাহিত্যা পরিষদকা খুৎশম্নরগা ঙরাং বেরিমুরা কম্যুনিটি হোলদা 'গ্রমালোগ' সাহিত্যগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। এদভাইজরী বোর্দকী মেম্বর এল বিরমঙ্গলনা চ্যের লৌরগা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মচিন তুমখৎলক্লিবা অইবা-অইবীশিং এম প্রদিয়ুটনা ৱারি মচা অদুগা এন পুস্পিতা, টিঐচ বিমোল, টি নিখিলেশ, টিঐচ শ্যামোল অমসুং এন মণিদিপনানা শৈরেং পাথোকখি। থৌরম অদুদা অখন্নবা বাংলাদেশকী কবি অহুম অবুল ফাতেহ ফাত্তাহ, মাধব রোই অমসুং অবিদ পাইসাহসু শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শক্লাইরবা, শক্লাইরবী অইবী কয়াসু শরুক য়াবগা লোয়ননা সাহিত্যগা মরী লৈনবা হিরম কয়াদা ৱা ঙাংখি হায়রি।

## লৈঙাক্কা য়ানখিবা ৱাফমশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা চে পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৫ (ঐচ এন এস): জৱাহরলাল নেহরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস) কী স্বিপর ১০১ দেলি ৱেজেতা রিক্রুটমেন্ট তৌগদৌরিবা অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (অটসুম)গা য়ানখিবা টর্মশিং ইমপ্লিমেন্ট তৌবীয়ু হায়না অটসুমগী প্রসিদেন্ট ভরৈয়ো শাটসং অমদি জেনরেল সেক্রেটরি সৈবোই হাওকিপনা খুৎয়েক পীদুনা জেনিমসকী দিরেক্টরদা চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

চেরোল অদুদা পল্লিবা ৱাফমশিংদি, রিক্রুটমেন্টকী মতাংদা এস টিগী ওইনা ফংগদবশিংগী ৱাফমগী মতাংদা চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা সী এমগী কনফরেন্স হোলদা মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎশিংগা মহৈরোয় ওর্গনাইজেসন অহুমগা উনদুনা টর্ম খরা য়ানখি। অদুবু য়ানখিবা টর্ম অসিগী ওন্ন-তৈনবদা জেনিমসকী স্বিপর লৌনবগী রিক্রুটমেন্ট থোক্লকপদা য়াওরকখি। লৈঙাক্কা য়ানখিবা ৱাফমশিং রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসতা ঙাক্লা চৎকদবনি। করিগুম্বা ইমপ্লিমেন্ট তৌদবা তারবদি অটসুমনা খোঙজং চঙশিনগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা পল্লি হায়রি।




## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২৬।১১।২০১৯ ইং, লৈবাকপোকপা, হিয়াঙ্গৈগী থাশু।

**মেষ :** অশাওবা অমদি ফিংবনা লন ময়েং তাগনি। মরুপ-মপাংনা তাথিগনি-পূক্লিং চংনা মহৌশাগুম থৌ পাংবা ফগনি। খাংবা কনবনা অঙম্বনা চানগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাঙাঙ হৈবনা চোপকদবদগী কঞ্জগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**বৃষ :** ৱাখলগী শক্তি লৈবনা খন্থরগা পাংবা থবক খুদিং শোইদনা মায় পাক্কনি। পূক্লিং পেঞ্জবা, লন অমদি ননাই চাওখৎপা লৈগনি। অখঙ-অহৈদি শাগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**মিথুন :** লেংদবা লন লেপশিনবা ঙমগনি, ইচং থৌনা অকিবা লৈতনা মাঙলোমদা চংশিনবনা য়েক্লববু লায়না খুদুম চনগনি। মীতোপ্পা কিহনবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

**কর্কট :** তপথৌ অফ-ফত্তা খন্থদনা ইচং থৌবনা অচানবা কায়নবা য়াই। নচাক নরল চেকশিন্দবা তৌগনু অমদি ফংবা য়াবা শেল পনবা, মীয়াম্না ৱারৌগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নোল্লুক্লা চৎপা ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**সিংহ :** লাই-গুরুনা থোইনা চানগনি, চিংনবা থাদোকউ অরৈবা থৌনা ফুদোকপা য়াগনি অমদি অরং-অরাক ফংবগুম নুংঙাইগনি। কল্লক য়েংথিবদি মহৌশানি।
লৈশা পাখংশিংগী - খাংবা কল্লু-শাফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**কন্যা :** ৱাখল লৈনা থৌ পাংবা য়াবা, পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুম ফংবা য়াবা অমদি মীয়ামগা লৈনবা মরীসু ফবা ওইরগনি। লৌশিং খরা ৱাৎপনা অখঙ-অহৈ থানগনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**তুলা :** মীরক চংলগা নুংঙাইবা, পূক্লিং মকা লাম্বা অমদি হকচাংসু নুংঙাইবা ওইগনি। মরম চাদনা ইচং থৌগনু লেংদবা লন মাঙবা লাক্কনি। হুরানবদগী চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**বৃশ্চিক :** মীচং হেনগৎকনি, অঙম্বনা চানগনি অমদি লল্লোন ইতিক্তা শোইদনা চাউনা কান্নগনি। অকল অথৌগী থবক অমদি লৈঙাক্কী থবক্তদি খুকউ শেল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা চানগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

**ধনু :** চেকশিন্দবনা লন অমদি মরুপ মাঙবা য়াই অদুনা নাইতোম ৱারেপ লৌগনু। পন্দুনা লৈরম্বা থবক খরদি শোইদনা পাংবা য়াবা লাক্কনি, অরং-অরাক ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - হায়জবা তাবিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

**মকর :** কান্নবা য়াম্না ফংগনি, নুংঙাইবা পাউসু তাগনি অমদি লন চংবা নুমিৎনি। অদুবু মীয়ামগা অফবা মরীদি লৈরোই অমদি লৌশিং ৱাৎকনি-তুপথোক্কনু।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবনা তেংবাঙবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

**কুম্বা :** য়েক্লববু ঙমজদুনা অরুবা থবক লায়না পাংবা ঙমগনি, ইমুং-মনুং ৱা তানবনা মীকোক থোংগনি, পাইরক্কী লৌশিং চাউবনা নাইতোম ৱারেপ লৌবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিন :** শোক-পনবা য়াবা লৈ-ফিংগনু অমদি নরল চেকশিন্দবা তৌগনু। ইমুং-মনুং অমদি মরুপকী ৱা তাউ মদুতনা লম্ খুদিংদা মায় পাক্কনি। য়েৎনবদি ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।




